# ঐখোয়গী লান, মায়কৈ লান্না চৎখিদৌরে

হৌজিক মণিপুর মৈ চাক্লি। ঐখোয় পূম্নমক মৈথক্তা থাঙ্গৎপা খাং অমদা ঙৌরিবা লেপ্লে ঙাগুম ফ্রং-ফ্রং চোংলি। করিগুম্বদা খাংসিদগী চোংথোকপা তারবসু তাগদৌরিবনি মৈথক্তা। অদুগুম্বা তানফম অমদনি ঐখোয়না ঙসি হিংলিবা। মৈ হৌবা নৎত্রগা মৈ চাকপা হায়বসি মদোম মরোমদোম কৈদৌঙৈদা ওইরক্তে। মৈ চূবা নৎত্রগা মৈ হৌবা-কনাগুম্বা অমগী খূৎ চঙই। মৈ করিনো খঙদ্রিবা অঙাংনা মৈ পায়দুনা শান্নবদা ৱায়দুনা যূম মৈ চাকখিবসু য়াই। ৱাখল তাদবা অঙাওবা অমনসু মথোঙ মরম খঙদনা শাইজিন-শায়াদা চূরম্বা মৈরীক অমনসু মৈজাও ওলহনবা য়াই। নৎত্রগা কনাগুম্বা মীফত্তা অমনা, মাগী ফত্তবা অনীংবা/অপাম্বা অমা ফংনবা নীংথিজনা, শেল চঙনা শারবা যূম অমা নৎত্রগা কয়াবুসু থুগায়দুনা/মৈ থাদুনা মাঙহনবসু য়াই।

মণিপুরদা ঙসি থাবুম অনী হেন্না চাক্লক্লিবা কুকি অমসুং মৈতৈ ফুরুপ অউ-অউ হাৎনবগী থাক অমদা চঙশিল্লক্লিবা, চীংখোঙ চীংয়াদা লানফম অমগী শক্লোন লৌরক্লিবা অসি কনানা, কদায়দা, কৈদৌঙৈ কাইহৌবদগী থোক্লকখিবনো? হৌরকপদা, কাঙলূপ অমগী মীদিয়া-হেন্দলরশিংনা শেমজিন-শাজিনবা ৱারী কয়া শন্দোক্লম্বদগী চমন্নবা থোক্লম্বদু ঙসিদি ফনা নীংথিনা কোক্নরবনি। ঐনা চুম্মী, মানা লাল্লি হায়বা অর্গ্যুমেন্ট অমসুং কাউন্টর অর্গ্যুমেন্ট অদু তোক্লসি। পূম্নমক্কা খঙনরে, পেপর-স্পেস মাঙনবনি। হৌজিক মাঙদা তারিবসি মরু ওইবা ৱাফম অনীনি :-

- খঙহৌদনা হৌরকখিবা মৈতৈ-কুকি লান অসিগী মায়ওন কদোমদনো?

- ওইথোক্লরোইদবা অমা ওইথোক্লক্তুনা, লান অসি নেমথখিবা থোক্লবা, কুকিশিংনা হৌজিক মৈতৈশিংগী মথক্তা চথুরিবা লান, থৌনা ফবা অথৌবশিংনা মালেমগী মফম কয়াদা শোক্নরিবা লান মখলদু নত্তে। লেংমান্নবা অকনবশিংগা মায়োক্নদুনা খূৎলায় পায়রগা লাম্থেংনবা লাল্লোয়দুবু কৌই অথৌবা। নুপী, অঙাং, অহল, অশোন-অনাশিংগী মফমদা অকন-অরিং শকপা মীদুবু কৌই মীথীবোং, মীতম্বাল, মীরৈহৎ। মখোয় থৌনা ফবা নত্তে পাঙদবনি, মীথীবোংনি। মে তারিখ অহুমদগী হৌখিবা তমথীরবা মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোকসিদা য়েংবীয়ু - কুকিশিংনা তৌরকপা এটেক’তা মৈতৈশিংনা মশা ঙাকথোকচনবা কাপ্পা নোংমৈ অমসুং কাউন্টর-ওফেন্সিব এটেক নত্তবা, করম্বা মফমদা করি এটেক চত্থখি? ইমোসনেল ওইবা ফীলিং অমদগী অহৌবা নুমিৎ মঙা-তরানি, অশাওবা ফোঙদোক্নদুনা অমনা অমদা খূৎ থানরুরবসু ৱাখল খন্থরক্তুনা কুকিশিংগী এটেক লেপ্তুনা নেগোসিএসনগী থোঙ হাংলম্লবা, ঈরাং অসি ঙসিগীসিগুম শাথীরল্লোই। ‘মণিপুরদগী তোখায়বা পোলিটিকল এদমিনিষ্ট্রেসন অমা কুকিশিংদা পীদ্রিফাও মৈতৈ হাৎপা লেপখিরোই’ ফোংনা লাউথোরক্তুনা এটেক হেন্না কনশিল্লকখি। খৎনবা খাম্বা লাকখিবা অমিট শাহগী মমাঙদা ‘ঐখোয় অকনবা কাঙবুদুনি ’উৎনবা, শুগুনু অমসুং শেরৌ’দা লৈজবা পাঙ্গল-শক্তি শীজিন্নদুনা এটেক তৌরকখি, খুঙ্গং অনী কুকিশিংনা লৌশিল্লে লাউথোকখি। তূমদুনা লৈবা নোংশা হৌদোকখি, লাইরেন মখোয়’-তৌ’নি থিনখি, মচোই মচোই লৈরুরবা মৈতৈশিং পূনশিন্নবা তাঞ্জা অমা পীবগুমখি।

মদুগী মতুং তারকপা থৌদোকশিং, লানফম ওল্লবা চীংয়া-তময়াগী পাউ, কুকিশিংগী মীচংদা, মৈতৈশিংগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লেপ্লবা থাজিল্লকপা সেন্ট্রেল ফোর্স অমদি কুকিশিংগী ইমুং-মনুং, অসাম রাইফলসকী ৱারী-চীংলোন ৱাংমদা য়ৌহন্দবা পাউশিং... ইম্ফাল ভেল্লি অসিদা তাদবা কনা লৈরমগনি! কনাগুম্বনা হায় - মণিপুরদা থোক্লিবসি ‘সিভিল-ৱার’গুম্বনি। ’গুম্বা নত্তে, চীংয়া তময়া কোয়ন’মুক্তং চৎতুনা য়েংবীরুচো। হায়রক্কনি - সিভিল ৱার হায়বদুমক মসিনি। তমদা তাবা মৈতৈ’না চীংথক্তুদা কাদুনা কুকি-খুন্দা এটেক তৌবা ঙমদবগী তৌদবনি। ঙমদবগীসু নত্তে, তৌরোই খন্না তৌদবনি। কনানা খঙনি-মফম মতম্না য়াদদুনা চীংথক্তা লানফম ওল্লকপসু য়ারিবনি।

লান কদায়বু কৌবগে? করিগী লান তৌরিবনো? লানগী ইতিহাস নৈনবশিং কুকি-মৈতৈ কনফ্লিক্ট অসি নৈনরুরবা, হায়রক্কনি - কুকিশিংনা পাল্লিবা মৈতৈশিংগী ‘ইথনিক ক্লিন্সিং’নি, মৈতৈশিংবু মৈতৈ লৈবাক্তগী মূখুৎপনি। জুন ৬, ক্বাক্তা’দা ময়েংবম রিক্কি হাৎখিবা থৌওংদুনা ময়েক শেংনা তাক্লে - ‘কুকিশিংনা চথুরক্লিবা, চথুরকখিগদবা থৌওংনি মৈতৈশিংগী জিনোসাইদ (পাক্তক্লনা হাৎপা)’।

নুমিৎ ৬৭নি শুরবা ‘কুকি-মৈতৈ-কনফ্লিক্ট-সিচ্যুএসন’ অসিগী এক্সপরিএন্সতগী খঙলে মদুদি, হ্যুমেনিটরিয়ন কন্সিদরেসনগী ৱা, নুংশি-চান্নবা-হিংমিন্নবা, অমত্তা ওইবই পাউজেল... কুকিশিংদা চন্নদে, নূঙদা ঈশিং হৈবনি। কান্নদবা এক্সরসাইজ অমুক তৌবা হৌনদে। নুংশি পাউজেল তোক্লসি। ‘লভ দাই নি’বর্স’ (যূমলোন্নবশিংবু নুংশিয়ু) ‘বাইবল’না পীবা ইশ্বরগী ৱাপাউ তুংওইনরম’, ‘মৈতৈশিংবু হাৎলগা, মখোয়গী লম থুগায়রগা ঐখোয়গী লম শেমগৎচগে থৌজানবীয়ু’ ইশ্বরগী মচা যিশুদা চরা হেন্দুনা থৌনিজরিবা ফুরুপনি। চীন্দ’না ‘রাম, রাম’, পুকচেপ্তুনা ছুরি- হায়বা কৈদৌনুংদা ফংলোইদবা লাইশোন’দুবু করেম্নবা ৱাহৈ’দু নীংশিংই। এ কে - ৪৭, এম সিক্সটিন রাইফল, টু-ইঞ্চ-মোর্টার’নচিংবা পায়রগা চর্চ’তা পাঙথোকপা প্রেয়র, প্রভু যিশু’না তারমগদ্রা। ‘নুংশিবা অমসুং নুংশিনবা’ হায়বা খূৎলায় অনী’সিদই হেন্না কনবা/শক্তি লৈবা লৈতে হায়বা পাউজেলসি মখোয়গী নাকোংদা য়ৌহনবীনবা কনা লৈত্রব’না, ‘তিংখঙ যূরবদি তিংখঙ অমনা হনগদবনি’ হায়বা থৌশিল অদু পায়খৎলকপনি মৈতৈশিংনা। লানফম’দা য়েক্লবনা নোংমৈ পায়রগা ঐনা লৈ পায়রুবদি হৌনব্রা?

হৌজিক্তি অসাম রাইফলস’না ফোংনা মীচং-চঙলবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নাকপাক অমদা লেপ্লগা, লাইসেন্স গন পায়বা মৈতৈ-খুঞ্জাশিং অমসুং মণিপুর ষ্টেট পুলিসকী কম্মান্দোশিংনা নাকপাক অমদা লেপ্লগা থেংনবা অফোংবা লানফম অমা ওইরক্লে মণিপুর। সী আর পি এফ, বি এস এফ, আই টি বি পি, জাট রেজিমেন্ট, গুর্খা রাইফলস অমসুং ইন্দিয়াগী রেপিদ এক্সন ফোর্স, ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্টর’না কুকি মিলিটেন্ট-অসাম-রাইফলস-কম্বাইন্দ-ফোর্স’না শোন্থরকপা মীকূপ্তা মতেং পাংনবা থল্লিবা রিজর্ভ’নি। মৈতৈ-ভিলেজ-দিফেন্স-ফোর্স অমসুং মণিপুর পুলিস কম্বাইন্দ ফোর্সকী রিজার্ভ-ফোর্স’না মণিপুরগী মৈরা পায়বী অমসুং মথুম-মরাং হৌরবা খোয়শাওনরবা প্রজাশিং।

হৌজিক, মৈতৈ তেঙ্গৌলগী মাঙদা তারিবা অচৌবা ৱাহং অমনি... ঐখোয়না থেংনগদৌরিবা/থেংনরিবা করম্বা লাল্লোং অমগী মখাদনো? হান্না পূন্না লৈমিন্নরম্বা, হৌজিক্তি লৈমিন্নবা য়াদ্রবা/য়াররোইদবা কুকিশিং-মতম চূপ্পগী ওইনা কায়নরগদবা, য়েক্লবনি খন্না লাম্থেংনগদ্রা? নৎত্রগা, লানসি নোংমা নেমথখিনি মীতোপ ওইবা কুকিশিং, ঙমখৈ ৱাংমদা তকথোকখ্রগা চারৌ-মৌরৌনরিবা য়েলহৌমী ওইবা কুকিশিং, হান্নগুম লৈমিন্নরকখিনি - খন্না লাম্থেংনগদ্রা? লুরিবদি মসিনি। চুড়াচান্দপুর নৎত্রগা মোরে’দা মৈতৈ মশক উৎলুবদি হায়রুনু, মখোয় মশেল মরক্তা মৈতৈ-লোন্দা শোয়বদগী নৎত্রগা, খুজিন-খুনাম্থোক্তগী মৈতৈলোন্দা কনাগুম্বদা ৱাহৈ অমা ঙাঙথোকখিবা থোক্লবা-অহকপা চৈরাক মায়োক্লগনি... ষ্টীপ অসি কুকি মিলিটেন্টশিংদা থম্মী ইমপোজ তৌদুনা।

হৌজিক, মৈতৈ লাল্লোয়শিংগী অরুবা প্রোব্লেমসি - লানচীংপুরেন (কম্মান্দর ইন চীফ) লৈতবা, ৱার ষ্ট্রেটিজি য়াওদবা, ওর্গনাইজদ আর্মি ওইদবা অসিনি। মতম অমগী কর্ফিয়ু য়েংবা থোরক্লম্বা মীয়ামদু ঙসি চীংখোঙ চীংয়াদা-চীংনুংদা শোক্নবা লানফম তম্না চঙদুনা লান য়েংবা চৎপগী মওং অমা উরকপ’সিগুম্বদি পাউ ওইনফাওবা মমাঙদা অমুক্তা তাখিদ্রি। নীংথিনা প্লান তৌরবা কুকিশিংগী ওর্গনাইজদ্ এটেকনি খঙনা খঙনা, শেম-শাদনা চঙলুবা মমল য়াম্লবা লান্মী নত্তবা মৈতৈ লান্মী (নহারোল) কয়াগী পুন্সি পিখম্নখরে।

অদুবু, থোকখ্রবদি থোকখরে। লাল্লি খঙলবা খোঙথাংদুদি ঐখোয় অমুক থাংগুমসি। থেংনদৌরিবা লানফমসি হৌজিক-হোরেন লোইরোইদবা কুইনা শাংনা শোক্নরগদবনি কাউগুমসি। নোংমৈ মরু ৱাৎলক্কনি, থৱায় পাম্মুবা খঙদবা লাল্লোই কয়া লাক্লবসু নোংমৈ শুনা লৈরক্লোই। ইমা ইবেন ময়াম্নসু কয়া কুইনা সোরোক্তা অসাম রাইফলস পান্নগনি? দেল্লী-লৈঙাক’ - ফিরেপসু নাখৈ শেংলে হৌজিক্তি অদুনা ঐখোয়সু ৱাখল মায়ওন হোংলসি, লানগী লাল্লোং হোংলসি।

-***ইন্দ্রকুমার***

---

# লেনতি লৈকিনথবী

থায়না মমাঙঙৈদা মেনতিমৈ কৌনরম্বা হৌজিক্না লেনতি লৈকিনথবী কৌনরিবা মফম অদুদা লেনতিগং কৌবা মতিক মথৌনা লৈবা নুপা অমা লৈরম্মী। মানা য়াম্না ফজবা চাউ শাংবা ‘অহোংয়ুম’ অমা শানবা খাংঙবু ওইবা য়াবা অচুম্বা উজাউ থিবা হৌরক্লে। নোংমা মানা অশুকপা লোকনুংদা চঙদুনা থাংঙবু ওইবা য়াবা অচুম্বা উজাউ থিবদা লোকনুংদা চেল্লিবা তুরেলগী ঈশিংদা অনারি কৌবা উপাম্বী অমগী মমি তাবদু উরে। ঈশিংদা তারিবা উপাম্বী অদু মসা মরেং পান্দে চুমদ্রিং চুমই, মতোন্দা মনা অমা অনীদং লোঙই। মানা উপাম্বী অদু য়ানগে খন্দুনা মপা য়েংলদুনা কাখৎলক্লগা থিবদা ফংদদুনা ময়ূমদা হল্লকই। নোংঙাল্লগা চাকঙন চারগা অমুক হন্না মফমদুদা চৎতুনা থিবদা ঈশিংদা মমি তাবদি উরগা কংফান্দা উপাম্বী অদুগী হৌফমদি থিবা ফংদদুনা ময়ূমদা হল্লকই। মানা খুলগী অহল লমনশিংদা হংবদা হামেং লাবা মচি খুদুপ অমা শাংবা অমা পুরগা মফম অদুদা মঙক কক্তুনা পৌলাগাং কৌবা লাইবু ঈরাৎলবদি উগী হৌফম খঙগনি তাকপীরে। মথংগী নুমিত্তা হামেং লাবা মচি খুদুপ অমা শাংবা অদু পুদুনা চৎলম্মী। মফম অদু য়ৌরগা থাঙনা লৈবাক্তা নুমিৎ থাগী মশক মান্ননা কোয়না য়েক্লে। মদুগী অকোয়বদা য়েনধৌ মচৈ নিপালনা কোয়শিন্দুনা যূম অমা শারে। যূমদুগী ময়ায় অকুৎপদা লানা লারৈ কোল্লগা য়ুংলে, লারৈ মনুংদা য়ুঙৌ হৈরে। শিং মপাক মপাক খায়রগা মমাঙদা থাদুনা থল্লে। হামেং মঙক ককপগী ঈনা শারিবা যূমগী অকোয়বদু থুংনা তাহল্লে। শিং মপাক্তসু ঈ তাহল্লে। মমৈথংদা লারৈ মনুংদা ঈ খরা তাহল্লগা হামেং মকোক অদু যূমদুগী মনাক্তা খিন্দুনা থল্লে। হামেং মকোক অককপদু মরৈ চিকপরা মমিৎ পাংবরা য়েংবদা মরৈ চিকতে, মমিৎ পাংদে ফজবা মমিৎ উইশিন্দুনা লৈবদু উবদা লেনতিগং মথ্বায় নুংঙাইরে। মানা ঈরাৎ থৌনিবা লোইরগা য়েংবদা ঈশিংদা মমি তাবা ফজরবা অচুম্বা উপাম্বী অদু মনাক্তা হৌদুনা লৈরল্লে। উপাম্বী অদু য়াল্লগা হোই লাউদুনা ময়ূম তান্না চিংদুনা পুরক্লে। উ অদুনা খাংঙবু ওইরগা ফজরবা ‘অহোংয়ূম’ শারে। হায়রিবা অহোংয়ূম অদুদা লৈবদগী লেনতিগং নোংমা নোংমগী নুংঙাইবা হেনগৎলক্লে, অৱাৎ অপা লৈরক্ত্রে। ফৌনা ফৌগৈ থল্লে, চেঙনা চেঙগৈ থল্লে, ওককোনসু ওক্না থল্লে, য়েনগোনসু য়েননা থল্লে।

লেনতিগংনা খঙহৌদনা ইনাক কৈরাক-খুল্লকপা, নুংঙাইরকপা মতৌদু উবদা মাবু নুংশিবা কাঙবুনা হরাওরে, নুংশিদবা মখৈনা য়েংথীরে। অসুম্না মতম খরা হৌখ্রে, অঙাং ওইরম্বা মাগী মচানুপা অদুসু পাখং ফারক্লে মমৌ থিবা য়ারক্লে। শাগৈ নাতৈ মরুপ মপাং তান্নদুনা অফবা মমৌ থিবা হৌরক্লে। মাবু নুংশিদবা কল্লক য়েংথীবা কাঙবুনা মাঙহনগে খল্লদুনা ইনশিনবা হৌরক্লে। নহাক্তি ইনাক কৈরাক খুনবা ৱাৎত পাদদুনা খুল অসিদা নিংথৌগুম্না পাল্লিবনি। অদুনা নহাক্কী নমৌদি নঙোন্দগী তাদবা মতিক চাবা নুপানা পোকপা মচানুপী লৌগদবনি, অচম্বা নিঙোল লৌবা হৌনদে। লৈবাক অসিদা পাল্লিবা নিংথৌ অসিগী অমত্তা পোকপী মচানুপী অদু হায়রুসি। মহাক অদু নহাক্কী নমৌ ওইবদা মতিক চাবীনি। ময়াম্না হায়বা ৱাদু মাসু য়ানীংলে। নোংমা লেনতিগংনা খুলগী অহল লমন খরগা লোয়ননা নিংথৌগী নাক্তা চৎতুনা মাগী মচানুপাগীদমক্তা মজাইবেম্মা অসি পীবিয়ু হায়রুরে। লৈবাক অদুদা পাল্লিবা নিংথৌসু লেনতিগংনা খঙহৌদনা ইনাক খুনবগী পাউ তারম্মী। মহাক্কী যূমদা হাপলিবা খাংঙবু অদু অচম্বা উ নত্তে, নুমিদাংদা থাওমৈ থানবগুম ঙানবা লাইনা ওনবা উদুগী পাউদু নিংথৌনা হান্না তারম্মী। মরম অসিদগী নিংথৌনা য়ানীংবা উৎতুনা লেনতিগং নহাক্না ইচানুপীবু নমৌ ওইহনগে হায়রবনিনা ইচানুপীগী মংকৎ ওইনা নঙগী যূমগী খাংঙবু অদু লৌথোক্লগা ঐঙোন্দা পীয়ু হায়রক্লে। নিংথৌগী ৱাদু তাবদা মীনা ফংবা ঙমদ্রবা নিংথৌগী মচানুপীবু ইমৌ ওইবা ফংলবদি মদুগা চপ মান্নবা খাংঙবু অমা অমুক য়াল্লগা যূমদা হাপচিনগে হায়না লেনতিগংগী মপূক্লিংদা খল্লক্লে। লেনতিগংনা নিংথৌদা মাগী যূমদা হাপলিবা খাংঙবু অদু ঙসিদগী মঙানি শুবা নুমিৎতা মংকৎ ওইনা থিনজরক্কে হায়রম্লগা ময়ূমদা হল্লকই। নিংথৌদা খাংঙবু পীগে হায়রম্বা নুমিৎ অদুগী অহিংদগী হৌনা খাংঙবুদা পুল্লিবা পৈয়াদু তৎপগী পৎ পৎ লাউবা মখোল তাবা হৌরকই। মরিনি শুবগী অহিংদদি খাংঙবু অদু মতোমতা যূমদগী তৎতুনা যূময়াইদা তারক্লে। লৈবাক হেক য়ৌবগা খাংঙবু অদু লাইরেন ওন্দুনা লৈনুংদা চঙখি। খাংঙবু য়াওদ্রবদা চাউরবা যূমজাউ অদু মতোমতা অসুম অসুম নিংখায়রক্তুনা তেক্লে। লেনতিগংদি খাংঙবু পীবা ঙমদদুনা নিংথৌগী মচানুপী মমৌ ওইবা ঙমদ্রে, অহোংয়ূমদা লৈবসু ফংদ্রে।

লেনতিগং অদু অচম্বা যূম অমা শারগা লৈরে। মহাক নোংমা নোংমগী লায়ররে, চানীংঙাই থকনীংঙাই লৈরক্ত্রে। লেনতিগংগী অৱাবা মতৌ অসি উবদা লৈনুংদা চঙখিবা খাংঙবুনা ওনবা লাইরেন অদুনা নুংশিরদুনা মাবু অমুক শেন্বীরগে খল্লদুনা মাগী ফৌসু শঙদা উচি মখুলগুম্বা অহোবা অমা ফাওরক্লে। নুমিৎ খুদিংগী অহিংদা লাইরেন অদুনা মকোক থিনগৎলক্তুনা হাইর-হাইরগা ফৌসুশঙদা তারিবা চেঙকুপ ৱাইকুপ খুন্দুনা চাবগী লৈখুলগী অকোয়বদু ৱায় তৈবগুম শীৎ নাল্লি। অসুম্না লাইরেন্না মরক মরক্তা খুদম চাংদম কয়া পীরবা ফাওবদা লেনতিগংনা ৱাখল শেরান্নদুনা কনাগুম্বা মথ্বায় পানবা শা মচা অমা লৈখুলদগী থোরক্তুনা মফম অদুদা চেঙকুপ ৱাইকুপ চাবা ওইরিনি খল্লদুনা ফাগদবগী লাং থাক্লম্মী। মথংগী নুমিৎতা লাইরেন মকোক অদু লাংদা থুদুনা অশিবগুম লৈরল্লে। লাং অদু লৌথোক্লগা অশিবা লাইরেনগী মকোক অদু পায়দুনা লৈখুন্দগী চিংখৎপদা লোইবা খম্বা নাইদ্রে। মতোমতা চিংখৎপা ঙমদদুনা খুলগী মীয়াম কৌদুনা মীয়াম চঙনা চিংখৎলবা ফাওবদা লোইবা লৈখিদ্রে, অশিবা লাইরেনগী মশানা ফৌশুশঙদা থম্বা চল্লক্ত্রদুনা মাগী ইঙ্খোলদু থল্লে। মমৈথংদা শাউদুনা লেনতিগংনা উদা শদন ওইরগা অশিবা লাইরেন অদু থাঙনা ককথৎলে। থাঙনা লাইরেন মশাদু হেক ককপদা মমৈনা অককপা মশা অদু লৈনুংদা চিংশিনখিবগী মখোলনা নোং খাকপগুম হৌনা খুল অদু থক থক নিকখি। শাংলবা লাইরেন শা অদু মকক মকক কল্লগা থোংদুনা খুলগী মীয়াম নহা অহল অঙাং নুপী ফাওবা অমত্তা চিথদনা কৌথোক্তুনা চামিন্নরম্মী। মসিদা খুল অদুগী মতাইদা লৈবী অহল ওইরবী লুখ্রাবী হনুবী অমতংদি মশা নাদুনা লাকপা ঙমদবদগী লাইরেন শা অথোংবদু চাখিদে। মাগী শরুক লাইরেন মকক অমা পৈয়ানা লেংলগা তোঙান্না থনম্মী। মীয়াম্না হরাও মথোই কাদুনা ঈশৈ শক্তুনা শানৈ য়ুনৈদুনা লাইরেনশা চাবা লোইরগা ময়ূম ময়ূমদা হন্নখি। অনাবা লুখ্রাবীগী যূমলোন্নবা অমনা পৈয়ানা লেংলিবা লাইরেনশা মকক থিনবা লাকপদা হনুবীদু ইমুংদা থোঙ লোনশিন্দুনা হিপ্তুনা লৈরম্বদগী শুমাংদা লেপ্তুনা কৌরকই। হো ইবেল! নঙগী শরুক লাইরেনশা অসি লৌশিল্লো থোঙ হাংদোকউ হায়বদা হনুবীনা ঐদি নাদুনা হৌগৎপা ঙমদ্রে, ঐগীশরুক অদু শুমাংগী পোল্লাংখোক্তা য়াল্লম্মু ঐ হয়েং নোংঙাল্লগা লৌশিনগে হায়রক্লবদা মাগী শরুক লাইরেনশা মকক অদু শুমাংগী পোল্লাংখোক্তা য়ান্দুনা থনম্মী।

লাইরেনশা চারুবা খুলদুগী মীয়ামদো ময়ূম ময়ূম হেক য়ৌবগা অশিবগুম নিংঙাইবা লৈতনা তূম্নখি। নুমিৎ অদুদা লুখ্রাবী হনুবী অদু নত্তনা খুল অদুদা তূমদবা কনা অমত্তা য়াওরমদে। অহিং নোংয়াই য়ৌরকপদা চীংমায় নিংখাইবগী মখোলগুম গুরু গুরুং লাওবা মখোলদু হনুবীদি তূমদবদগী তায়, অতৈ মীয়ামদি তাখিদে। অকিবা মখোলদু তাবদা হনুবীনা থোঙ হাংদোক্লগা মপান্দা য়েংবদা চীংমায় নীংখায়বা ওইরমদ্রে, মখোয়না লৈরিবা খুলদু মচেৎ মচেৎ নিংখাইবগী মখোলনি খঙলদুনা অহিংদুদা লুখ্রাবী হনুবীনা মখূৎতা চৈশু পায়রগা খুল থুংনা চৎতুনা খুঞ্জাশিং হৌদোক্লম্মী। অশিবগুম নীংঙাইদনা তূমখ্রবা খুলগী মীয়ামদো মানা কৌবদু কনাসু খুম্লক্তে, কনাসু তাবিদে। মহাক্না শাউদুনা হল্লকপদা ময়ূম হেক য়ৌবগা থোঙ লোনশিনগে তৌবদা মানা লৈরিবা য়ূম্ফমগী শুমাং পোল্লাংখোক য়ুংলিবা মফমদুদি নিংখাইখিদে। লাইরেনশা চারুবা নুপী নুপা অঙাং নুবী পূম্নমক লাইরেন ওন্দুনা তুরেল তম্না চেনখি। খুল অদুদা লৈরম্বা ওক, য়েন, শা-ষণ, ঙানুনচিংবসু লৈনুংদা খোংদুনা চঙখিবগী মখোলদু হনুবী লুখ্রাবীনা তাবা ফংখি। নুমিৎ অদুদা লাইরেনশা চাহৌদবী লুখ্রাবী হনুবী মতোমতা মাগী যূমগী য়ূম্ফমগা কোন্ননা লৈহৌই হায়দুনা য়ূম্ফম অদুবু লুখ্রাবী য়ূম্ফম হায়নৈ। লাইরেনশা চারুবগী নিংখাইদুনা মাঙখিবা খুল অদুবু লেনতি লৈকিনথবী কৌনখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)**

---

# কনাসু নত্তবা কোকথোং অমা

লিরবা ৱারীনি। অনৌবা নত্তে।

মথন্তা লাকই। মথন্তা লাকই। মথন্তা লাকই।

মফমসিদা।

কদাইদগীনো?

করিগীনো?

ফি থোংদনা লাকই।

মফমসিদা।

মফমসি ওন্থোকপা মফমনি। কুম্মৈ লেপ্তে। মফমসি ওক্তে। হায়নীংঙাই লৈতনা ওক্তে। মফমসি থাদোক্তুনা চৎনীংহল্লি। অতোপ্পা মফম অমা লৈ খলহল্লি। মঙ মঙহল্লি অতোপ্পা মফম অমগী। চৎনীংহল্লি মফমদুদা। উচেক্লুম ইশা পান্দুনা। মৈশা মৈখুগী ৱাংমদা। ঐগা ঐগী নুংশিবীগা। মফমসি ওন্থোকপা মফমনি। আহ, ওন্থোকপা মফমনি। কুম্মৈ লেপ্তে। মফমসি ফজৈ। ফজৈ ফজৈ ওখাক ফজৈ। পাক্লবা ঈপাক্তা নুমিৎ লৈথখিবা ওন্থোক্লা ফজৈ। চুম্ব্রৈ মপাল নোবাপ মপাল মরক্তা খোইরাংবগুম পাইনীংই। হঙ্গাল মপাল মরক্তা কুরাক উবদা শৈরেং ইনীংই। ঈশৈ ঙংনীংই। নুংশিৎকী ঈপোমদা খূৎ থাঙ্গৎতুনা জগোয় শানীংই। অয়ূক্তা উচেকশিংগী অপূনবা খোঞ্জেলনা ঐবু হৌদোকই। খোঞ্জেলদুনা ইতিহাসপু হৌদুনা পুরকই। খূৎশম্নদুনা লাকমিন্নৈ। হৌগৎলো। হৌগৎলো হৌগৎলো। মফমসি ওন্থোকপা মফমনি। কুম্মৈ লেপতে।

লাক্লিংনবু লাকপরা? লাক্লিংদনবু লাকপরা? মফমসিদা? লাক্লিংদনা লাকপা? পোকপদা অঙাংনা হংঙা হংঙা কপ্লিবসি করিগীনো? লাক্লিংদনা লাক্লবদি চৎখিবদা হরাওনা চৎখিগনি। লাক্লীংনা লাক্লবদি?

হো ইমা ইমা-ও,

ঐসু লাক্কে ইমা-ও।

নোং চুই লাক্কনু,

য়েম্পাক তুপ্তুনা মরাক্কে।

লম্বী নাল্লি লাক্কনু,

চৈশু শুদুনা মরাক্কে।

লাক্লিংবরা লাক্লিংদবরা খঙদে। লাক্তি লাক্লে।

ফি থোংদনা লাকই।

মফমসিদা।

মসিগী মখা তারকপদি খরা চয়েৎনৈ। মপাম্থোংদদি। লীলা য়াওবা ঙাক্তা ওইনা তৌরদুনা মেকপ লোইনা তৌই। মমায়দা দাগ থম্বা য়াওই। থমদবসু য়াম্না লৈ। মনা হুৎতুনা মনাতোন হুৎতুনা ধাতু মখল মখল য়ানবা লৈ। য়ান্দবসু লৈ। মমায়দা মচু জাৎ জাৎ তৈশিনবা লৈ। অঙাংবা অমুবা নাপু। মথবাক্তা ময়াংলেন্দা মশাদা খোগায়দুনা লৈরোংদৌনা দাগ জাৎ জাৎ থম্বসু লৈ। কোকয়েৎ য়েৎপা। তুপি উপ্পা। কোকখুমফি শীজিন্নবা। লোন তিন্নদবা। লাইশোন মান্নদবা। কুচু কুমেন চৎনবী মপাম্থোংদা তিন্নদনা অমনা হেন্দনা অমনা ৱাৎতনা অসিগুম্বা লিশীং লিশীং লৈ। মফমসিদা। ফি থোংদনা লাক্লগা। মেকঅপ য়াওদনা লৈরম্বদা মশক খঙদে।

করি করিগুম্বদা। অহিং অথেংবদা অয়ূক অঙনবদা। খোঞ্জেল অমা তাই। কদাইদগীনো। করিগীনো। চুল্লিবরা। ফজরিবরা। ফরিবরা। কুম্মৈ য়েংবনদি অরোইবা নত্তে। কুম্মৈ য়াওগদবনি। কুম্মৈ য়াওগদবনি। কুম্মৈ য়াওগদবনি। কুম্মৈদা লূপকদবনি। লূপকদবনি পূমলুপ লূপকদবনি। ঙরাংগী খন্দনা। ঙসিগী খন্দনা। হয়েংগী খন্দনা। মপাম্থোংগী ৱা তোকসি।

মপাম্থোংগী ৱা তোকসি।

মনুংথোংগী ৱা খন্নসি।

মফমসিদা কনাগুম্বা অমা লৈরিঙৈদা খুনু অঙৌবা ময়াম অমা মানা নুংতিগী মচিঞ্জাক বোরা অমমম থাই। মখোয়দুবু মানা য়াম্না নুংশিজৈ। মা মার্স কৌবা গ্রহদা চৎলম্মী। কেন্সর ফহনবা হীদাক অমা পুথোক্লম্মী।

মফমসিদা কনাগুম্বা অমা লৈরিঙৈদা মতুনে, মতুদুগা কোয়নৈ হায়বা নুপাদুনে, মচানে মচা নত্তে হায়দুনা পূন্না মানা হাৎলম্মী। জেলদা পুন্সি চূপ্পগী ফাদোক তাই। হনুরগা মিয়াৎ লোইরগা থাদোকই। মপালগী ওল্লল্লিবা ময়ামসিগা শমজিন্নবা ঙমদনা মা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখি।

মথন্তা চৎখি। মথন্তা চৎখি। মথন্তা চৎখি।

মফমসিদগী।

কদাইদনো?

কুম্মৈ য়াওখিবরা? কুম্মৈদা লুপখিবরা? নুংঙাইখিবরা?

অনৌবা নত্তে। লিরবা ৱারীনি। মথন্তা লাকখিবা মথন্তা চৎখিবগী ৱারীনি। কুম্মৈ য়াওবগী ৱারীনি। উতোং অহোবদা ঈশিং শোকপা য়াবরা? য়াদে। মমাঙঙৈ ৱারীদা মীনা কৈ ওইবা অমদি য়ানি হায়দুনা শোকখি। অমুক কোৎ অমুক থাঙ্গৎ। অমুক কোৎ অমুক থাঙ্গৎ। ঈশিং নত্তে শোক্লিবা। ছন্দ অমনি পুন্সিগী।

মথন্তা লাকই। মথন্তা লাকই। মথন্তা লাকই।

মথন্তা চৎখি। মথন্তা চৎখি। মথন্তা চৎখি।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘আ!! থম্মোয় লকানুংদগী’ দগী লৌখৎচবা)**

---

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১) **“ভগবান শ্রীরাম”** (২০০৮) হায়বা কাব্য অসি কনানা ইবনো?

২) **“মমি শেংখিদ্রবা নুংশিবা”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“অশিববু কোন্দুনা সমাধি মখাদা/লৈররে ইতোমতা তূমদুনা; করিগী অমুক হন্না লাক্লিবা/থম্মোয়গী মৈচাকপু চাকহনগে হায়না/”** ঈশৈ মতেক অসি অসামগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমগী ঈশৈশিংদগী খোমজিন্দুনা মণিপুরীদা হন্দোরকপদগী লৌথোরকপা ময়েকনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **“কংফালগী অরোইবা লমদমদৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **“মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।